## ইর্দোগানগা মরী তৎনখ্রে

অঙ্কারা, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
মতম অমদা প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগানগী খ্বাইদগী নক্লবা পোলিটিকেল মীচংনি হায়নখিবা টর্কিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অহমেট দেভুটোগ্লু ইরাই নুমিত্তা রুলিং এ কে পার্টিদগী রিজাইন তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্লা পার্টি অসিনা লৈবাক অদুদা মখা তানা লৈঙাকপা য়াবগী রাইটস লৈত্রে হায়খ্রে। এ কে পার্টিদগী রিজাইন তৌরবসু মহাক্লা খুদক্তা অনৌবা পার্টি অমা লোঞ্চ তৌবদি লৈতে।

## হোস্পিটাল চাকপদা মীওই ১০ শিখ্রে

ব্রাজিলিয়া, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
রিও দি জেনৈরোদা লৈবা হোস্পিটাল অমা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা মৈ চাকখিবদা য়ামদ্রবা মীওই ১০ শিখ্রে হায়না ফায়র ফাইটরশিংনা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা চহীদা লৈবাক অদুগী নেসনল ম্যুজিয়মদা মৈহৌ লাংপোক চাওনা থোকখ্রবা মতুংদা সিটি অদুদা ইনৌ নৌবা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অসি থোক্লকখিবনি। হোস্পিটাল মনুংদা মৈ থুনা চাকখৎলকখি হায়রি।

# চাইনাগী জহাজশিং খুদক্তা ভিয়েটনামমনা ক্লেম তৌরিবা ঈশিংগী শরুক্তগী চৎখিনবা খঙহনখ্রে



হনোই, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
ভিয়েটনাম্না ক্লেম তৌরিবা সাউথ চাইনা সীগী শরুক্তা লৈরিবা চাইনাগী ওইল এক্সপ্লোরেসন ভেসেল অমা অমসুং মসিগী এস্কোর্টশিং খুদক্তা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা ইরাই নুমিত্তা ভিয়েটনামিজ গভর্নমেন্টনা দিমান্দ তৌখ্রে।
পনবা য়াবদি, হনোইনা ক্লেম তৌরিবা সাউথ চাইনা সীগী এরিয়া অদু বৈজিংনসু ক্লেম তৌরিবনি। চাইনানা ভিয়েটনামগী ঈশিংদা ইন্টরনেসনল মরিটাইম লোশিং খোঙ্গাওনদুনা থবক থৌওং কয়া চথুরিবসি খুদক্তা লেপ্তুনা চাইনিজ ভেসেল খুদিংমক মখোয়না লৈরিবা মফমদুদগী হন্দোক্লবা ভিয়েটমনা দিমান্দ তৌরি হায়না হনোইদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন লে থি টু হাংনা ফোঙদোকখি।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চাইনাগী জহাজ হাইয়াং দিজি ৮না ভিয়েটনামগী সোভরেন্টি, সোভরেন রাইটসশিং, এক্সক্লুসিভ ইকনমিক জোন অমসুং কন্টিনেন্টেল সেল্ফ লেপ্তুনা খোঙ্গাওনদুনা লৈরি। লে হাংনা শগোলশেল নুমিত্তসু চাইনাগী জহাজশিংনা মফম অদুদা অয়েৎ-অপন লৈবগী মওংদা চঙশিল্লক্লিবদু হনোইনা য়ানিংদে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।
হৌখিবা জুলাইদা অহানবা ওইনা সমুদ্র খোঙনুং মখাদা নেচরেল গ্যাস রিজার্ভশিং থিনবগীদমক্তা কোষ্ট গার্দকী ইস্কোর্টশিংগা লোয়ননা ভিয়েটনামগী সমুদ্র খোংবান্দগী নোটিকেল মাইল ২০০ রোম লাপ্না লৈবা লৈবাক অসিনা কন্ট্রোল তৌরিবা স্প্রাটলি ইথৎশিংগী শরুক খরদা লৈরিবা ভেংগার্দ বেঙ্ক হায়না খঙনবা রিফ অমগী মনাক্তা লৈবা মফম অমদা থুংখিবা মতুং মতম খরা লৈরগা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎলুরবা চাইনাগী থাউ থিবগী জহাজ অদু হৌখিবা ওগষ্টকী ময়াই চনবা শরুক্তো মফম অদুমক্তদা অমুক হল্লকখিবনি।
ভিয়েটনামমনা হৌখিবা মেদা রসিয়ন কম্পেনি রোস্নেফকা কোলাবোরেসন তৌনদুনা ভেংগার্দ বেঙ্ক মনাক্তা দ্রিলিং হৌখিবনি।

# 'টেঙ্ক মেন' ফোটোগ্রাফর লৈখিদ্রে



জর্কাটা, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
কুমজা ১৯৮৯ দা চাইনাগী টিয়ানানমেন স্কৱারদা প্রো-দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংনা প্রোটেষ্টশিং চথুরিঙৈ মনুংদা মমিং চৎলবা টেঙ্ক মেনগী শক্তম ফিল্মদা মমি তাহনখিবা ফোটোগ্রাফরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা চার্লি কোল মশাগী চহী ৬৪ শুবদা লৈখিদ্রে। মহাক ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা হৌখিবা চয়োলদা লৈখিদবনি হায়না ইরাই নুমিত্তা বি বি সীনা রিপোর্টনা হায়খি। মহাক মফম অদুদা মতম শাংনা লৈরক্লবনি হায়রি।
চার্লি কোল অসি কুমজা ১৯৮৯গী জুন ৫ দা টেঙ্ক ময়াম পরেং শানা লাকপগী লম্বী অমদা টেঙ্কশিং অদুগী মমাংদা থৌনা ফনা লেপ্তুনা লৈখিবা চাইনিজ প্রোটেষ্টর অমবু ফোটো কাপখিবা ফোটোগ্রাফর ৪ গী মনুংদা অমনি। নুমিৎতুগী হেকমমাংগী নুমিত্তা চাইনিজ ওথোরিটিশিংগী ওর্দরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা প্রোটেষ্টর লিশিং কয়া হাৎখিবনি।
কুমজা ১৯৮৯গী প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং অদুবু তাকপদা মফম খুদিংমক্তা শীজিন্নরকখিবা ইমেজ অদুগীদমক্তা কোলনা কুমজা ১৯৯০ গী ৱার্ল্ড প্রেস ফোটো এৱার্দ ফংখি। মহাক্লা পীকচর অদু ন্যুজৱিক্কীদমক্তা টেলিফোটো লেন্স অমা শীজিন্নরগা হোটেলগী বেলকোনি অমদগী লৌখিবনি। ফোটো অদু লৌরবা মতুংদা কোলনা মীওই অদু শোয়দনা শিরগনি হায়না মহাক্লা থাজখিবা লৈরবসু থৌদোক অদুবু রেকোর্দ তৌবা হায়বসি মহাক্কী থৌদাংনি হায়ন খন্দুনা নুপা অদুবু মহাক্লা ফোটো কাপখিবনি হায়খি।

# বৃটেননা য়ু এস গল্ফ মিসন্দা য়াওনবা হোৎনবদগী যুরোপিয়ন প্লানশিং খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রে



ব্রাসেলজ, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
বৃটেননা য়ু এসনা লুচিংলিবা গল্ফকী নেভেল মিসন অমদা য়াওশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবদগী যুরোপকী লৈবাকশিংনা অমেরিকান পেট্রোলশিংদগী তোঙান্না ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ দা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা সিপ্পিং য়াহন্নবগীদমক্তা মরিটাইম ফোর্স অমা লিংখৎনবা হোৎনবগী থবকশিং থিন্থহন্দুনা লৈরে হায়না ঈযুগী দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা হৌখিবা জুলাইদা যুনাইটেদ ষ্টেটসতগী মনীং তম্না যুরোপিয়নশিংনা লুচিংবা মরিটাইম ফোর্স অমা শেম্নগী ৱাফম হৌদোকখি। মখোয়গী ৱাফম অদু য়ু এস অমসুং ইরানগী টেন্সন হেন্না লুশিল্লকপা য়াই হায়না কিবদগী গল্ফতা অমেরিকান মিসন অমা লৈহনবা পামদবা দেমার্ক, ইটালি অমসুং স্পেননা শৌগৎখি।
বৃটিশ মরিনশিংনা গিব্রাল্টরদা ইরানগী টেঙ্কর অমা ফাজিনখিবগী লমন খুন্থনি হায়না লৌনখিবা খোঙথাং অমদা ষ্ট্রেট অদুদা ইরাননা বৃটিশ ফ্লিরাল থেৎপা টেঙ্কর অমা ফাজিনখিবা মতুংদা ফ্রান্স অমসুং বৃটেন্না প্রপোজেল অদু লাউথোকখিবনি। বৃটিশ ফ্লিরাল থেৎপা ষ্টেনা ইম্পেরো কৌবা ভেসেল অদু হৌজিকসু ইরাননা ফাজিন্দুনা থল্লিবনি। ইরানগী টেঙ্কর অদুদি হৌখিবা থাদা গিব্রাল্টরনা থাদোকখ্রে।
মালেমগী থাউ অপুন্বগী শরুক ৫ থোকপগী অমা পুথোক-পুশিন তৌবা লম্বী অমা ওইরিবা ষ্ট্রেট অদুদা লল্লোন-ইতিক্কী জহাজশিং ঙাক শেন্নবগী মিসন অমা লিংনবা ফ্রান্সনা সেপ্তেম্বর ১৬ তা ইনৌ নৌনা অমুক হোৎনগদৌরি। পান্দম অসিগা মরী লৈননা ফ্রান্সনা মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবগী মতাংদা খন্নবা পেরিসতা যুরোপকী লৈবাক ১৫ রোম পুনগনি হায়না থাজনরি। তৌইগুম্বসুং ঈযুগী কেপিটেলশিংদা ৱারী শান্নবদা শরুক য়াখিবা দিপ্লোমেটশিংনদি লন্দননা য়ু এসনা লুচিংবা মিসন্দা য়াওনবা ৱারেপ লৌখিবদগী যুরোপিয়নশিংগী থৌরাং খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রে হায়রি।

# কাশ্মিরগী অথিংবশিং লৌথোকহন্নবা ট্রম্পতা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা হৌজিক ওক্যুপাইদ কাশ্মিরদা চথুরিবা থৌওংশিং কোমথোকহনবা নৎত্রগা লেপহনবদা মতেং পাংনবা য়ু এসকী সিনেটর গ্রুপ অমনা প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পতা তকশিনখ্রে।
সিনেটরশিং ক্রিস ভান হোল্লন, বেন কার্দিন, লিন্দসে গ্রাহম অমসুং টোদ য়ংনা শগোলশেল নুমিত্তা ট্রম্পতা ইখিবা লেট্টর অমনা কাশ্মির তম্পাক্তা থোক্লিবা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস লেপহন্নবা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা প্রসিদেন্টতা প্রেসের পীখি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।
মখোয়না য়ু এস প্রসিদেন্টদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অথিংবা কয়া অমসুং কার্ফিয়ু লৌথোকহন্নবা অমদি ৱাথোক ওইরবা পব্লিক সেফটি এক্টকী মখাদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মরাল লৈজদ্রবা কাশ্মিরি চা কয়া থাদোকউ হায়না তকশিন্নবা প্রেসর পীখি।



দিমোক্রেসি, হ্যুমেন রাইটস অমসুং রিজনেল ষ্টেবিলিটিগী মতাংদা অরুবা ৱাফম কয়া লাকহল্লিবা কাশ্মিরগী ফিভমবু হকচিন্না লৌরদুনা ঐখোয়না ৱারোল খরসি ইরিবনি। য়ু এসগী প্রসিদেন্টনা কাশ্মিরগী ষ্টেটসকী মতাংদা তুংকোইনা চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরকপদা পার্টিশিংগা খুৎশম্নদুনা মতেং পাংনবা হোৎনরিবা খুদিংমক ঐখোয়না শৌগৎলি। অদুবু অসিগুম্বা ৱারোইশিন অমা পুরক্তিঙৈগী মাঙওইননা মফম অদুদা থোক্লিবা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস লেপহনবদা মতেং ওইগদবা খোঙথাংশিং খুদক্তা লৌখৎনবা ঐখোয়না প্রসিদেন্টতা তকশিল্লি হায়না সিনেটরশিংনা লেট্টর অদুদা ইখি।
মখোয়না ট্রম্পতা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা পাউ ফাওনদুনা ওক্যুপাইদ কাশ্মির তম্পাক্তা টেলিকম্যুনিকেসন্স অমসুং ইন্টরনেট সভিসশিং মপুং ফানা হঞ্জিনহন্নবা, সিটি অদুগী থবক থৌরমশিং লেপ্লিবদু খুদক্তা হঞ্জিনহন্নবা কার্ফিয়ু লৌথোক্লবা অমদি ইন্দিয়ানা আর্টিকল ৩৭০ রিভোক তৌরবা মতুংদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা কাশ্মিরিশিংবু থাদোক্লবা তকশিনখি।

# হোং কোংদা ইনভেষ্টমেন্ট হেনগৎনবা ষ্টেট ফার্মশিংদা খঙহনখ্রে



সীঙ্গাপোর, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
চাইনানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ফার্মশিংদা ইনভেষ্টমেন্ট হেনগৎহনবা য়াওনা হোং কোংদা য়াম্না এক্তিভ ওইবা থৌদাং লৌননবা খঙহনখ্রে হায়না হীরম অসিগী মতাংদা মুন্না খঙবা এগজিক্যুটিভমশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
থা কয়া চুপ্না ফাইনান্সিএল হব ওইরিবা সিটি অদুদা থোক্লিবা ইরাংশিং ঈংথহন্নবা বৈজিংনা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা থৌরাং অসি লৌখৎলক্লিবনি হায়না লৌনরি। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা হোং কোংগা তাইননা লৈবা সেঞ্জেন সিটিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেটনা চল্লাইবা কম্পনি ১০০ রোমগী সিনিয়র রিপ্রজেন্টেটিভশিংদা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা থোক্লিবা চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদু ঈংথহন্নবা হোৎনবদা মখোয়গী তৌফম থোকপা থৌদাং লৌনবা তকশিনখি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমা য়াওনা এগজিক্যুটিভ অহুম্না রোইটর্সতা হায়খি।
মীফম অদুদা এস ও ঈশিংনা লোকেল সিটিজনশিংবু থবক হেন্না ফংহন্নবা অমসুং ফাইনান্সিল মার্কেটশিংদা ষ্টেবিলিটি লাকহন্নবগী পান্দমদা রিএল ইষ্টেট অমসুং টুরিজম য়াওনা হোং কোংগী মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রিশিংদা ইনভেষ্টমেন্টশিং হেনগৎলগনি হায়না থাজবা পীখি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা এগজিক্যুটিভ অনীনা ফোঙদোকখি।
মখোয়গী মতুং ইন্না মীফম অদুদা চপ চাবা ইনভেষ্টমেন্টগী শেনফমশিংগী মতাংদদি খন্নখিদে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টেটনা চলাইবা ইন্টরপ্রাইজশিংগী মনুংদা পনবা য়াবশিংদি ওইল জাইন্ট সিনোপেক অমসুং কোঙ্গলোম্মরেট চাইনা মার্চেন্টস গ্রুপনি হায়না সোর্সশিং অদুগী মনুংদগী অমনা হায়খি। মীফম অদু ষ্টেটনা চল্লাইবা এসেটস সুপরভিজন এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসন কম্মিসন্না শীন-লাংখিবনি।

# জিম্বাবৱেগী মুগাবে লৈবাক্কী খুভমদা লৈরোল চল্লগনি

হরারে, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
জিম্বাবৱেগী ফাউন্দর রোবার্ট মুগাবে নোংমাইজিং নুমিত্তা কেপিটেল হরারেদা লৈবা লৈবাক্কী ওইবা নীংশিং খুভম অমদা লৈরোল চল্লগনি হায়না মুগাবেগী ইমুংগী স্পোক্সমেন অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
গভর্নমেন্টগী লৈরোল চনবগী থৌরাংশিং ইমুং-মনুংনা পামদে হায়বগী ইঙ্গিৎ খরা মমাংদা ফোঙনখ্রবা মতুংদা মুগাবেগী লৈরোল চনফম লৈবাক্কী ওইবা খুভমদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়বসি ইমুং মনুংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি।
জিম্বাবৱেবু চহী ৩৭ চুপ্না লৈঙাক্লকখিবা মতুং কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বরদা মশাগী আর্মিনা মফমদগী চিংথুখিবা মুগাবে চয়োল অমগী মমাংদা সীঙ্গাপোরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা মশাগী চহী ৯৫ শুবদা লৈখিদবনি। মহাক্কী হকচাং লৈরোল চনবগী মতাংদা য়ানদবা লৈবনা মহাক্কী মহুৎ শীন্দুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা ঈম্মরসন মনাংগগৱাগী পোজিসন্দা ফাওবা অকায়বা পীরকপা য়াবগী ফিভম লাকখি।





পনবা য়াবদি, মুগাবেগী হান্নগী দেপ্যুটি অসিনা লৌতুনরগা মহাকপু মফমদগী চিংথুখিবনি। মুগাবেবু লৈরোল চনবগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমখিদবা অদুনা লৈঙাক পায়রিবা জানু-পি এফ পার্টি মনুংদা নাকপাক তান্নবগী ফিভম লৈরে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।
ফেমিলি স্পোক্সমেন লিও মুগাবেনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা লুচিংবা অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা হরারেদা লৈবা নেসনল হিরোজ একরদা লৈরোল চল্লগনি হায়বসি শোয়দ্রে। ওফিসল থৌরম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা নীংশিং খুভম অদুদা ইমুং মনুংনা শীন-লাংবা থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। মুগাবেগী হকচাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সীঙ্গাপোরদগী জিম্বাবৱেদা পুরকখিবনি।

## জেলেন্সকিনা ট্রম্পকা উনরগনি





কিভ, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা ইরাই নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্লা সেপ্তেম্বর থাদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকা শোয়দনা উনরগনি হায়না থাজে অমসুং ইষ্টর্ন দোনবাস রিজন্দা যুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা লৈরিবা মুক্লবগী ফিভম লৈখায় তান্নবগী ৱারী শান্নবসু থা অসিদা পাঙথোক্লগনি।
যুক্রেনগী ট্রুপশিংনা রসিয়ানা শৌগৎপা সেপরিটিষ্ট ফোর্সশিংগা লান শোক্লরিবা দোনবাসতা মরা তপ্পা ফিভম শোয়দনা পুরক্কনি হায়বা ৱাশক অমদা জেলেন্সকিনা চহী অসিগী মীখলদা চাওনা মায় পাকখি। সীজফায়র অমা লৈন-লৈনা লমদম অদুগী কনফ্লিক্ট অদুদা হৌজিক ফাওবদা লিশিং ১৩ হেন্না শিখ্রবনি। যুক্রেন, নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমসুং নাটোনা রসিয়াবু দোনবাসতা ট্রুপ ময়াম অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা খুৎলায় কয়া থাজিন্দুনা সেপরিটিষ্টশিং শৌগৎলি হায়না মরাল শীরি।
অমরোমদা, মোস্কোনদি মফমদুদা শুপ্নগী রেবেলশিংদা পোলিটিকেল অমসুং হ্যুমেনিটেরিয়ন সপোর্ট পীবদনি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা যুক্রেনগী লান দা শরুক য়ারিবা রসিয়নশিং অদু ভোলন্টিয়রশিংনি হায়রি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা অমনা অমগী প্রিজনরশিং থাদোক্লখিবগী খোঙথাং অমনা পিছ টোক চথুবা য়ারগনি হায়বগী থাজবা লৈহনখি।

## ইকো গ্রুপকী দ্রোনশিং ফেল ওইখ্রে

লন্দন, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি) :
যুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা এয়রপোর্ট ওইরিবা লন্দনগী হিথ্রো এয়রপোর্টগী থবক থৌরম পুন্নমক ইরাই নুমিত্তা লেপহনগনি হায়বগী থাজবা লৈখিবা ক্লাইমেট চেঞ্জ এক্তিভিষ্টশিংগী থৌরাং মখোয়না এয়রপোর্ট অদুদা পাইহনগদৌরিবা দ্রোনশিং টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা লৈবদগী ফেল ওইদুনা মায় পাকখিদ্রে।
হৌখিবা দিসেম্বরদা ইখঙ খঙহৌদনা দ্রোন কয়া পাইথোরকপা উবদগী লন্দনগী গেটৱিক এয়রপোর্টতা ফ্লাইট কয়া নমদুনা কেন্সেল তৌনখিবগী থৌদোক অমগী মতুংদা হিথ্রো পোজ গ্রুপনা মান্নবা থৌরাং অমা পায়খত্তুনা গভর্নমেন্টদা কার্বোন ইম্মিসনশিং হন্থনবগী অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা প্রেসর পীনবা হোৎনরকখিবনি। তৌইগুম্বসুং হিথ্রোগী ওথোরিটিশিংনা মনাকনকপদা পাঙথোক্লিবা প্রোটেষ্টতা ইলিগেল ওইবা মওংদা দ্রোনশিং শীজিন্নবা লৈরবসু এয়রপোর্টকী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা অমত্তা থোকহনখিবা লৈতে হায়খি।

## য়ু এসকী রুলিং য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

জিনিভা, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সি):
মেক্সিকান বোর্দরদা রেফ্যুজিশিংনা চঙজফম লৌনবা এপ্লিকেসন থাবা কন্ট্রোল তৌনবগী পান্দমদা থোকখিবা য়ু এসকী সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অমা যুনাইটেদ নেসন্স রেফ্যুজি এজেন্সিনা ইরাই নুমিত্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ওর্দর অদুনা ইন্টরনেসল লোগী মতুং ইন্না প্রোটেক্সন পীফম থোক্লবা অৱা-অনাগী ফিভম কয়াদগী চেল্লক্লিবা মীওইশিংদা শোক্লহল্লগনি হায়খ্রে।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 579/SDC/Oinam of 2019**
1) Oinam Tomba Singh S/o (L) Angou Singh (0.1075 acre)
2) -do- Shyambabu Singh S/o (L) -do- (0.1075 acre Applicant No. 2&3)
3) -do- Indirapati Devi W/o O. Shyambabu Singh
4) -do- Kunjo Singh S/o (L) Angou Singh (0.1075 acre Applicant No. 4&5)
5) -do- (O) Indira Devi W/o O. Kunjo Singh
6) -do- Sharat Singh S/o (L) Angou Singh (0.1075 acre Applicant No. 6&7)
7) -do- (O) Chandani Devi W/o O. Sharat Singh all of Oinam Mamang Leikai. ...Applicants

-Vs-

(L) Oinam Angou Singh S/o (L) Jamini Singh of Oinam
- O.P. Pattadar

**NOTICE**
Oinam, the 13th September, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩০- ওইনামগী পাট্টা নং ৫৭৭ (অনৌবা),দাগ নম্বর ১১৪০, ১১৪১, এরিয়া একর ০.৩৬, ০.০৭ = ০.৪৩ চাউবা ইঞ্চোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি ৭না মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা লম অসি মাগী মাগী শরুকতা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুখ্রগনি।

*Sd/- Victoria Huidrom,*
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/4224/14

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DEPARTMENT OF SOCIAL WELFARE**

**Notification**
Imphal, the 13th September, 2019.

**No. 7/90/2018-SW (MSK)** It is hereby notified for information of all the candidates who applied for engagement of contractual staff for the post of District Co-ordinator under the State Resource Centre for Women under the Mahila Shakti Kendra Scheme (MSK) that the interview for the post of District Co-ordinator will be held at Directorate of Social Welfare, 2nd M.R Gate, A.T Line, Imphal as per the schedule given below:

| Sl. No. | Name of Districts | Roll Nos. | Date | Time |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Chandel and Senapati District | --- | 23/09/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 2. | Kangpokpi, Pherzawl, Kakching, Kamjong, Noney and Tengnoupal District | --- | 24/09/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 3 | Ukhrul, Thoubal | --- | 27/09/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 4 | Tamenglong | --- | 28/09/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 5 | Bishnupur | --- | 07/10/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 6. | Churachandpur | 1 to 40 | 25/09/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 7. | Churachandpur | 41 to 72 | 26/09/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 8. | Imphal East | 1 to 45 | 01/10/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 9. | Imphal East | 46 to 90 | 03/10/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 10. | Imphal West | 1 to 40 | 04/10/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 11. | Imphal West | 41 to 80 | 05/10/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |

Candidates should bring 2 passport size photographs while collecting their Admit Card from the Directorate on 18th, 19th and 20th September, 2019 between 11.00 am to 4.00 pm.
Candidates should report at the Directorate of Social Welfare along with relevant documents at 9.30 am on the day of interview.

*Sd/-*
Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-P/4226/14